

# সনালৈবাক স্পোর্টস





*সাউথ অমেরিকান ফুটবোল কনফেদরেসন্না থা অহুমগী ইন্টরনেসনেল মেটচ শান্নবদা অথিংবা থমখ্রবা আর্জেন্টিনাগী ষ্টার প্লেয়র লিওনেল মেসি*

*গুৱাহাটিদা চথরিবা ওল ইন্দিয়া সব-জুনিয়র রেঙ্কিং বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা চহী ১৫ মখাগী মিক্স দবলদা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রবা রিসি মাইস্নাম*

## রানকিরেদ্দি অমদি চিরাগ সেট্টিনা থাইলেন্দ ওপনগী মিক্স দবলস ফাইনেলদা জুনহুই অমদি য়ুচেনগা শান্নরগনি

*বেঙ্কোক, ওগষ্ট ০৩ (এজেন্সি)ঃ*

থাইলেন্দগী কোনুং বেঙ্কোক্তা চথরিবা য়ু এস দোলর ৩৫০,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা থাইলেন্দ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপাগী দবলস ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী পেয়র সাটৱিকসাইরাজ রানকিরেদ্দি অমদি চিরাগ সেট্টিনা ৩শুবা সিদেদ চাইনাগী লি জুনহুই অমদি লিয়ু য়ুচেনগা শান্নরগনি।



টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসকী ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচতা ইন্দিয়াগী সাটৱিকসাইরাজ রানকিরেদ্দি অমদি চিরাগ সেট্টিনা সাউথ কোরিয়াগী পেয়র কো সুং হিয়ুন অমদি সিন বেক চিওলবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্লবা মতুং ২২–২০, ২০–২২, ২১–৯ দা থোইদুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী পেয়র সাটৱিক সাইরাজ অমদি চিরাগ সেট্টিনা ফাইনেলদা লম্বা তৌনগদৌরিবা ৩শুবা সিদেদ চাইনাগী লি জুনহুই অমদি লিয়ু য়ুচেননা মখোয়গী সেমি ফাইনেলদা ৫শুবা সিদেদ জপানগী পেয়র হিরোয়ুকী ইন্দো অমদি য়ুটা ৱাটানবেবু ২১–১৩, ২২–২০ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

থাইলেন্দ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা অহানবা সিদেদ চাইনাগী চেন য়ুফে অমদি ৬শুবা সিদেদ টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু লৈবাক থাইলেন্দগী শান্নরোই রাটচানোক ইন্টানোনগা শান্নরগনি।

অহানবা সিদেদ চাইনাগী চেন য়ুফেনা ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা জপানগী শান্নরোই সায়াকা টাকাহসিবু ষ্ট্রেট গেম অনী ২১–১৬, ২১–১৯ দা মায়থিবা পীরম্লগা ফাইনেল য়ৌরকপনি।

অমরোমদা ৬শুবা সিদেদ থাইলেন্দগী শান্নরোই রাটচানোক ইন্টানোননা ঙসি শান্নখিবা মহাক্কী সেমি ফাইনেলদা অতোপ্পা থাইলেন্দগী শান্নরোই প্রোর্নপাৱি চোচুৱোংবু গেম অহুম চঙনা শান্নরবা মতুং ২৩–২১, ১৭–২১, ২১–১৯ দা থোইরম্বনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসকী ফাইনেলদা চাইনিজ তাইপৈগী চৌ টিয়েন চেন অমদি হোং কোংগী ঙা কা লোং শান্নরগনি।

চাইনিজ তাইপৈগী চৌ টিয়েন চেননা মহাক্কী সেমি ফাইনেলদা মালেসিয়াগী লি জি জিয়াবু ২১–১৪, ২২–২০ দা মায়থিবা পীরম্বনি। অদুগা হোং কোংগী ঙা কা লোংনা মহাক্কী সেমি ফাইনেলদা ৭শুবা সিদেদ জপানগী কেন্টা সুনেয়ামাবু ২১–৯, ২৩–২১ দা থোইরম্বনি।

থাইলেন্দ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী দবলসকী ফাইনেলদা ৭শুবা সিদেদ জপানগী পেয়র সিহো টানাকা অমদি কোহারু য়োনেমোটোনা ৮শুবা সিদেদ চাইনাগী পেয়র দু য়ু অমদি লি য়িনহুইগা শান্নরগনি।

জপানগী পেয়র সিহো টানাকা অমদি কোহারু য়োনেমোটোনা ঙসি শান্নখিবা মখোয়গী সেমি ফাইনেলদা সাউথ কোরিয়াগী চাং য়ে না অমদি কিম হিয়ে রিনবু ২১–১৯, ২১–১৯ দা মায়থিবা পীরম্লগা ফাইনেল চঙলকপনি।

৮শুবা সিদেদ চাইনাগী দু য়ু অমদি লি য়িনহুইনানা ঙসি শান্নখিবা মখোয়গী সেমি ফাইনেলদা ৬শুবা সিদেদ সাউথ কোরিয়াগী পেয়র লি সো হি অমদি সিন সিয়ুং চানবু গেম অহুম চঙনা শান্নরবা মতুং ১৪–২১, ২১–১৯, ২২–২০ দা থোইরম্বনি।

## কে এস ৱাই সি অমদি দি এম এম টিনা নুপা অমসুং নুপীগী অহানবা হিলস দিষ্ট্রিক্ট ভোল্লিবোল টুর্নামেন্টকী ৱিন্নর ওইখ্রে





*ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৩ (এস এন এস)ঃ*

পরাওলোন য়ুঠ ক্লব চান্দেলনা শীন্দুনা মমাঙ থাগী ২৭ তগী নুপাগী টিম ৭ না গ্রুপ অমদি নুপীগী টিম ৭ না গ্রুপ ২ থোক্লা খাইদোক্তুনা পরাওলোন রালরিঙ্ক প্লে গ্রাউন্দদা চথরকপা অহানবা হিলস দিষ্ট্রিক্ট ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ দা নুপাগীনা কে এস ৱাই সি তমেংলোং অমদি নুপীগীনা দি এম এম টি চান্দেলনা ওইখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী অরোইবা মেটচ ওইনা কে এস ৱাই সি তমেংলোং অমদি সাইনিং ষ্টার চুড়াচান্দপুরনা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা কে এস ৱাই সি তমেংলোংনা সাইনিং ষ্টার চুড়াচান্দপুরবু সেট ৩–১ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিগী অহানবা সেটতা সাইনিং ষ্টার চুড়াচান্দপুরনা পোইন্ট ২৫–১৯ স্কোর তৌদুনা অহানবা সেট মাঙজিল থাখ্রবসু লেমহৌরিবা সেটশিংদা কে এস ৱাই সি তমেংলোংনা পোইন্ট ২৫–১৭, ২৫–১৮, ২৫–১৯ স্কোর তৌদুনা ফাইনেল মেটচ অসিগী সেট ৩–১ দা মায় পাক্তুনা ৱিন্নর ওইখিবনি।

সেমি ফাইনেলদা কে এস ৱাই সিনা য়ু কে এস সিবু ষ্ট্রেট সেট ৩–০(২৫–১৭, ২৫–১৮, ২৫–২২) দা মায়থিবা পীরম্লগা ফাইনেল চঙলকখিবনি। সাইনিং ষ্টার চুড়াচান্দপুরনা অতোপ্পা সেমি ফাইনেল অমদা পি আর ৱাই সিবু সেট ৩–১(২৫–২৭, ২৬–২৪, ২৫–২১, ২৭–২৫) দা মায়থিবা পীরমখি।

নুপীগী অরোইবা মেটচ ওইনা দি এম এম টি চান্দেল অমদি সি দব্লিয়ু ভি টি চান্দেলনা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা দি এম এম টিনা সি দব্লিয়ু ভি টিবু সেট ৩–১ দা মায়থিবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিগী অহানবা সেটতা সি দব্লিয়ু ভি টি চান্দেলনা পোইন্ট ২৫–২২ স্কোর তৌদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি। অদুবু লেমহৌরিবা সেটশিংদা দি এম এম টি চান্দেলনা পোইন্ট ২৫–২০, ২৫–১৬, ২৫–১৫ স্কোর তৌদুনা সেট অহুম থংননা মায় পাকখিবদগী ফাইনেল মেটচ অদু সেট ৩–১ দা মায় পাক্তুনা নুপীগী ৱিন্নর ওইখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী সেমি ফাইনেলদা ৱিন্নর ওইখ্রবা দি এম এম টি চান্দেলনা লখানি ১৬ বু সেট ৩–১ (২৫–৮, ২৫–২২, ২৫–২৭, ২৫–২২) দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙলকখি। অতোপ্পা সেমি ফাইনেল অমদা সি দব্লিয়ু ভি টিনা ৱাই এস সি টিবু সেট ৩–২ (২৫–১৪, ২১–২৫, ২৫–১৬, ১৭–২৫, ১৫–১২) দা মায়থিবা পীরমদুনা ফাইনেল চঙলকখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী বেষ্ট প্লেয়রনা দি এম এম টি চান্দেলগী রিনরিচাননা তাখি অদুগা নুপাগীনা কে এস ৱাই সি তমেংলোংগী সি ঐচ সাকিলনা তাখি।

নুপীগী বেষ্ট দিসিপ্লিন টিম্না লখানি ১৬ অদুনা নুপাগী বেষ্ট দিসিপ্লিন টিম্না দি এম এম টি চান্দেলনা তাখি।

টুর্নামেন্ট অসি লোইশিনবগী থৌরমদা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী ভাইস প্রসিদেন্ট দিলবুং কোৱার লমকাং, প্রোভেদা হর্ভেল প্রাইভেট লিমিটেদ মণিপুরগী প্রোপাইটর কে রোমিও সিংহ অমদি পরাওলোন ভিলেজগী চীফ জেমস দিলবুংনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, গেষ্ট ওফ ওর্নর অমদি প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াদুনা মকোক মথং তাখ্রবশিং দা মনা মথুম য়েহ্লোকখি।

## লিওনেল মেসি ইন্টরনেসনেল ফুটবোলদগী থা ৩ অথিংবা থমখ্রে

*ব্যুনো আইরেজ, ওগষ্ট ০৩ (এজেন্সি)ঃ*

মালেমগী ওইনা ফুটবোল মশান্নদা মমিং লৈরবা আর্জেন্টিনাগী শান্নরোই লিওনেল মেসি সাউথ অমেরিকান ফুটবোল ফেদরেসন (কোনমেবোল) না ইন্টরনেসনেল ফুটবোলদগী থা অহুম অথিংবা থমখ্রে।

নীংশিংবা য়াই, মমাঙ থাদা পাঙথোকখিবা কোপা অমেরিকা ২০১৯ গী মেডল য়েহ্লোকপগী থৌরমদা শান্নরোই অসিনা শরুক য়াখিদবা, চিলিগা আর্জেন্টিনাগা শান্নখিবা কপ অসিগী অহুমশুবা পোজিসনগী মেটচতা মহাকসু রেদ কার্দ পীরকখিবা অদু ওর্গনাইজরশিংনা করপ্সন তৌবগীনি হায়না ফোঙদোকখিবা অমদি টুর্নামেন্ট অসি হোষ্ট ওইরিবা ব্রাজিলনা কানবা রেফরিশিংনা হোৎনরে হায়বা চিংনবা কয়া ফোঙদোক্লবগীদমক কোনমেবোলনা মহাক্কী মথক্তা মশান্না অসিদগী থা ৩ অথিংবা অসি থম্বগা লোয়ননা য়ু এস দোলর ৫০,০০০গী ফাইন থিহনখিবনি।

মশাগী চহী ৩২ শুরবা আর্জেন্টিনাগী ষ্ট্রাইকর অসিগী মথক্তা থল্লিবা অথিংবা অসিনা চিলি, মেক্সিকো অমদি জর্মনিনা শান্নগদবা ইন্টরনেসনেল ফ্রেন্দলি মেটচশিং য়াওবা য়ারোইদৌরি।

পনবা য়াবদি লিওনেল মেসি অসি মহাক্কী কেরিয়রদা হন্দক্কীসি থারগা রেদ কার্দ অনীগী হেন্না ফংদ্রিবা শান্নরোই অমনি। হন্দক কোনমেবোলনা থল্লক্লিবা অথিংবা অসিগী মতাংদা শান্নরোই মশানা অমদি আর্জেন্টিনা সোক্কর এসোসিয়েসন্না হৌজিক ফাওবগী ওইনদি ৱাফম অমত্তা ফোঙদোকপা লৈত্রি হায়রি।

## এম দি অৱাজ খান ওকখ্রে



*ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৩ (এস এন এস)ঃ*

ইন্দিয়ান বোদি বিল্ডিং এন্দ ফিটনেষ্ট ফেদরেসনগী মীৎয়েং মখাদা মহারাষ্ট্রগী পুনেদা মমাঙ থাগী ২৮ অমদি ২৯ দা পাঙথোকখিবা ৫৯শুবা মিষ্টর ইন্দিয়া কন্টেষ্ট ২০১৯ দা কেজি ১০০ গী কাঙলূপ্তা ব্রোঞ্জ মেডল ফংলকখ্রবা শাফবা এম দি অৱাজ খান ঙসি আই বি বি এফ এফ মণিপুর য়ুনিটকী থৌমীশিংনা ওকখ্রে।

অৱাজ খান মিনুথোং গোলাপতি মনিং লৈকাইদা লৈবা এম দি অব্দুল জালিল অমদি মিস বালেদাগী মচানুপা অহলনি। মহাক হৌজিক ইন্দিয়ান নেভীদা থবক তৌরি।

## কে লনচেনবনা গোল্ড মেডল লৌখ্রে

*ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৩ (এস এন এস)ঃ*

জিটকুনেদো এসোসিয়েসন ওফ মণিপুরগী মীৎয়েং মখাদা হেল্প এন্দ দিভলপমেন্ট ওর্গানাইজেসন উরিপোক পোলেম লৈকাইনা শীন্দুনা থা অসিগী ২ দগী য়ুনিট ৬ তগী লাকপা পুন্না শান্নরোই ২০০ না শরুক য়াদুনা উরিপোক অচোম লৈকাই কম্যুনিটি হোলদা চথরকপা ৯শুবা সব–জুনিয়র অমদি সেনিয়র ষ্টেট জিটকুনেদো চেম্পিয়ন্সিপকী চহী ১০ মখা নুপামচাগী কেজি ৩৪ দগী ৩৬ কাঙলূপ্তা থৌবালগী কে লনচেনবা সিংহনা গোল্ড মেডল অমদি কে ঐচ হ্বাইট সিংহনা সিলভর মেডল লৌখ্রে।

চহী কাঙলূপ অসিগী কেজি ২৮ দগী ৩০ গী কাঙলূপ্তা থৌবালগী এল খুমনঙম্বা গোল্ড মেডল অমদি এন সনাথোই সিংহনা সিলভর মেডল লৌখ্রে।

চহী ১৪ মখা নুপামচাগী কেজি ৩৫ দগী ৩৭ কী কাঙলূপ্তা থৌবালগী টি ঐচ রোবার্টনা গোল্ড অমদি এস ঐচ ষ্টেলোননা সিলভর লৌখ্রে।

কেজি ৪৯ দগী ৫১ কাঙলূপকীদা বিষ্ণুপুরগী এ অবিতনা গোল অমদি থৌবালগী এস থোইনাওনা সিলভর লৌখি। চহী ১৭ মখাগী কেজি ৪৬–৪৯ দা থৌবালগী কে ঐচ কুমারসানু অমদি দেবিদ খুমুজম্না গোল্ড অমদি সিলভর লৌখি।


কেজি ৪৯ দগী ৫০ কাঙলূপ্তা ইম্ফাল ইষ্টকী অজিজ খাননা গোল্ড মেডল লৌখ্রে। কেজি ৫২ দগী ৫৫ কী কাঙলূপ্তা কে ঐচ সনাথোইনা গোল্ড, দব্লিয়ু ইথোইনা সিলভর অমদি অমরজিৎনা ব্রোঞ্জ মেডল লৌখি। কেজি ৪০ দগী ৪৩ দা এল পারিনা গোল্ড লৌখি। চহী ১৯ মখাগী কেজি ৬০–৬৫ তা সি ঐচ এলেক্সনা গোল্ড লৌখি।

নুপীমচাগী চহী ৮ মখাগী কেজি ২৭ মথক্কীদা নন্দেশ্বরীনা গোল্ড, চহী ১০ মখাগী কেজি ৩৪ মথক্কীদা এস দাইনানা গোল্ড, চহী ১৪ মখাগী কেজি ৪৫ তগী ৪৭ গীদা এন জি সানিয়ানা গোল্ড, কেজি ৫১ মথক্কীদা তুশিলানা গোল্ড, চহী ১৯ মখাগী কেজি ৪৫–৫০ দা এম বিজয়ানা গোল্ড, চহী ১৭ মখাগী কেজি ৫৫–৫৮ কীদা ঐচ মেমথোইনা গোল্ড অমদি কেজি ৬৪ মথক্কীদা এল পুস্পানা গোল্ড লৌখি।

## দি এফ এ অন্দর থার্টিন বোইজ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ ফিদা জি সি তেন্থানা য়ু এম এফ সি থোইদুনা ফাইনেল চঙখ্রে

*ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৩ (এস এন এস)ঃ*

দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন থৌবালনা শীন্দুনা মমাঙ থাগী ২৬ তগী টিম ৮ না গ্রুপ ২ থোক্লা খাইদোক্তুনা চাওয়াইমা হায়র সেকেন্দরী গ্রাউন্দদা চথরকপা অনীশুবা অন্দর থার্টিন বোইজ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ দা ফিদা জি সি তেন্থা ফাইনেল চঙদুনা লম্বা ঙাইখ্রে।



টুর্নামেন্ট অসিগী ১৩শুবা মেটচ ওইনা ঙসি য়ু এম এফ সি মোইজিং অমদি ফিদা জি সি তেন্থানা শান্নখিবা টুর্নামেন্টকী অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা ফিদা জি সিনা য়ু এম এফ সিবু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙখিবনি।

মায় পাক্লবা ফিদা জি সিগী গোলশিং অদু অহানবা অমদি অনীশুবা হাল্ফতা গোল অমমম চনখিবনি। শান্নখিবা মেটচ অসি হৌরকপদগী ফিদা জি সি তেন্থানা অচেৎপা থাজবা অমগা শান্নরক্তুনা অঙনবা মিনটশিংদগী য়ু এম এফ সি মোইজিংগী মায়কৈদা লেপ্পা লৈতনা এটেক চথদুনা প্রেসর পীশিনখি।

প্রেসরশিং অদু য়ু এম এফ সি মোইজিংনা নীংথিনা ঙাকথোকপা ঙমদবদগী মেটচকী অঙনবা মিনট ৭ চৎপদা ফিদা জি সি তেন্থাগী জর্সি নম্বর ১৮ বোরিসনা মেটচকী অহানবা গোল অদু চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

গোল শোত্থরিবা য়ু এম এফ সি মোইজিংগী শান্নরোইশিংনা গোল হন্দোকপা য়াবা তাঞ্জাশিং ফংখ্রবসু গোলদা ওন্থোকপা ঙমদনা লৈখিবদগী বোরিসনা অঙনবা মিনটতা চনখিবা ফিদাগী গোল অদু অহানবা হাল্ফ লোইরবা ফাওবা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

ফিদা জি সিনা অহানবা হাল্ফতা হৈথোই–শিংথোইবা মতৌদা শান্নখ্রবা মতুং অনীশুবা হাল্ফতসু অনৌবা লাল্লোং শীজিন্নরক্তুনা অহেনবা গোল হাপচিল্লক্কবা হোৎনরক্তুনা য়ু এম এফ সি মোইজিংগী দিফেন্দরশিংনা কয়ারক হন্না মীপায়বা পোকহন্দুনা এটেক চথখি।

মেটচকী মিনট ৩২ চৎপদা য়ু এম এফ সি মোইজিংগী দিফেন্দরশিংগী অহোবা তাঞ্জাদা ফিদা জি সিগী জর্সি নম্বর ৭ মালেমঙানবনা টিমগী অনীশুবা গোল অদু চন্দুনা তেন্থাগী অচেৎপা মায় পাকপগী য়ুম্ফম অদু থোনখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি এম ইবোমচা সিংহ, এস ঐচ তাতু সিংহ, এল রঞ্জিৎ সিংহ অমদি এম দি সোইব খাননা মথংশিংনা সেন্টর রেফরি, এসিষ্টেন্ট রেফরি ৱান, এসিষ্টেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর্থ ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক্ট তৌখি।

হয়েং অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচ ওইনা সি আই টি ৱাই সি হৈরোক অমদি এস দব্লিয়ু ৱাই সি চরাংপাৎনা নুংথিল পুং ৩ তাবদা শান্নরগনি।

## য়াইস্কুল কেন্দ্র ওইনাম চার্লি নীংশিং কাং টুর্নামেন্ট ২০১৯গী সেমি ফাইনেল চঙখ্রে



*ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৩ (এস এন এস)ঃ*

মণিপুর কাং এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা ওইনাম রোমেন সিংহনা স্পোন্সর তৌরগা শিংজমৈ কাংখুৎনা শীন্দুনা মমাঙ থাগী ১৪ দগী টিম ১৩ না গ্রুপ ৪ থোক্লা খাইদোক্তুনা শিংজমৈ কাংশঙদা চথরকপা অনীশুবা ওইনাম চার্লি নীংশিং চহী ৫০ অমদি ৬০ মথক্কী লীগ কম নোক আওট কেন্দ্রৱাইজ কাং টুর্নামেন্ট ২০১৯ গী ঙসি শান্নখিবদা য়াইস্কুল কেন্দ্র মায় পাক্তুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ ওইনা য়াইস্কুল কেন্দ্র অমদি খুন্দ্রাকপম কেন্দ্রনা শান্নখিবা মেটচতা য়াইস্কুল কেন্দ্রনা খুন্দ্রাকপম কেন্দ্রবু পাঞ্জল ১৫–১৪ দা মায়থিবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী সেমি ফাইনেল চঙখি।

মেটচ অসিদা মায় পাক্লবা য়াইস্কুল কেন্দ্রনা অহানবা হাল্ফতা পাঞ্জল ৯ অমদি অনীশুবা হাল্ফতা পাঞ্জল ৬ স্কোরতৌখি। মায়থিরবা খুন্দ্রাকপম কেন্দ্রনা অহানবা হাল্ফতা পাঞ্জল ৪ অমদি অনীশুবা হাল্ফতা পাঞ্জল ১০ স্কোর তৌখি।

মায় পাক্লবা য়াইস্কুল কেন্দ্রগী শান্নরোইশিং অদুদি এল ওমনাথ শর্ম্মা, টি ঐচ প্রিয়োকুমার সিংহ, জি পুর্নচন্দ্র শর্ম্মা, পি ঐচ জয় শর্ম্মা, ৱাই শ্যামানন্দ সিংহ, আর কে জিলাস্না অমদি এল ব্রজমনি শর্ম্মানি।

হয়েং ওইনাম কেন্দ্র অমদি শগোলবন্দ কেন্দ্রনা চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী অহুমশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা শান্নরগনি।

## দুরান্দ কপ্তা ইষ্ট বেঙ্গল মায় পাকখ্রে

*কোলকটা, ওগষ্ট ০৩ (এজেন্সি)ঃ*

এসিয়াগী খ্বাইদগী লিরবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা দুরান্দ কপকী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ 'এ' গী অহানবা মেটচতা ইষ্ট বেঙ্গলনা আর্মি রেদবু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচ অসি অহানবা হাল্ফ শান্নরকপদা টিম অনীগী মায়কৈদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লাকখি। অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৮৪শুবা মিনটতা ইষ্ট বেঙ্গলগী শান্নরোই সন্টোস কোলাদোসনা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি। মেটচকী অরোইবা মিনটতা ইষ্ট বেঙ্গলগী শান্নরোই বিদ্যাসাগর সিংহনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ২–০ দা মায় পাকখি।


**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
IMPHAL WEST (CENTRAL)

Ref. : Mut. Case No. 1596/SDC/IW(C) dt. 27/07/2019

Wangkheirakpam (O) Ibeyaima Devi W/o Late W. Sharatchandra Singh of Thangmeiband Lourung Purel Leikai

Petitioner

-Vs-

Wangkheirakpam Sharatchandra Singh S/o Birachandra Singh of Thangmeiband Lourung Purel Leikai

O.P.Party

**NOTICE**

Imphal, the 2nd Aug., 2019

Under Sect. 46(3) MLR & LR Act. 1960 অসিগী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি মৃঃ পাট্টাদার Wangkheirakpam Sharatchandra Singh S/o Birachandra Singh সাং Thangmeiband Lourung Purel Leikai গী মিংদা লৈবা ইঃ ওঃ তহশিলগী খুল নম্বর 90-Thangmeiband গী অনৌবা পাট্টা নম্বর 1597/3359 অরিবা পাট্টা নং 31, 453, 718, 956 দাগ নং 5254/5471 অমসুং এরিয়ানা .0228 হেক্টর চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারীশিং অসিনা মখোয়গী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে, অদুনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙলবা মতুং নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা অইবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা Objection তৌরগদবনি, মতুংদা লাকপা Objection লৌরোই কেস মখা চথরগনি।

SL/5180/04

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Imphal West, Central


### ক্রোসৱার্দ ২৩৯ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| S | T | A | R | ■ | L | O | S | T | ■ | ■ | R | I | L | E |
| K | O | L | A | ■ | A | P | N | E | A | ■ | U | R | I | S |
| I | R | A | N | ■ | P | E | E | R | S | ■ | D | U | N | S |
| T | I | N | A | S | A | R | A | I | L | ■ | O | L | D | E |
| ■ | ■ | ■ | M | U | Z | A | K | ■ | ■ | C | L | E | A | N |
| S | C | O | O | B | ■ | ■ | E | A | T | U | P | ■ | ■ | ■ |
| T | A | N | K | S | F | O | R | N | O | T | H | I | N | G |
| A | R | C | ■ | I | A | N | ■ | T | R | I | ■ | N | I | L |
| T | R | E | A | D | S | T | H | E | N | E | E | D | L | E |
| ■ | ■ | ■ | M | E | T | O | O | ■ | ■ | P | A | Y | E | E |
| B | U | R | B | S | ■ | ■ | T | A | P | I | R | ■ | ■ | ■ |
| E | S | A | I | ■ | T | I | C | K | H | E | A | D | E | D |
| L | U | D | E | ■ | A | C | O | I | N | ■ | C | I | A | O |
| L | A | I | N | ■ | N | E | A | T | O | ■ | H | E | R | R |
| S | L | O | T | ■ | ■ | S | L | A | M | ■ | E | T | N | A |